# নাটোনা ইষ্টর্ন য়ুরোপতা অহেনবা ট্রুপশিং থারগনি, রসিয়ন ফোর্সশিং থেংননবা য়ুকেনা য়ুক্রেনদা মিসাইল ৬০০০ থারগনি

ব্রাসেলস, মার্চ ২৪ (এজেন্সী):

নোর্থ এঠলান্টিক ট্রিটি ওর্গনাইজেসন (নাটো) না ইর্ষ্টন য়ুরোপতা অহেনবা ট্রুপশিং দিপ্লোই তৌরগনি হায়না গ্রুপ অসিগী সেক্রেটরি-জেনরেল জেন্স ষ্টোলটেনবর্গনা ফোঙদোকখ্রে।

রসিয়া অমসুং য়ুক্রেনগী কনফ্লিক্টকী মতাংদা খন্ননবা নাটোগী মরু ওইবা সম্মিট অমা পাঙথোক্কদবা নোংমা মাঙওইননা ন্যুজ কনফরেন্স অমদা ৱা ঙাঙবদা ষ্টোলটেনবর্গনা হায়খি, মদুদি এল্লাইয়েন্স অসিদা য়াওরিবা মীচংশিংনা কংফাল, নোংথক অমসুং ঈশিংগা মরী লৈনবা নাটোগী পোজিসন হেন্না চেৎশিনহনবগী ৱাফম য়ান্নরগনি হায়না মহাক্না থাজৈ।





অহানবা ষ্টেপতি নাটোগী অনৌবা বেট্টলগ্রুপ মরি দিপ্লোই তৌবা অসিনি। বেট্টলগ্রুপশিং অদু বলগেরিয়া, হঙ্গেরি, রোমানিয়া অমসুং স্লোভাকিয়াদা দিপ্লোই তৌগনি। বালটিক লৈবাকশিং অমসুং পোলেন্দদা হৌজিক লৈরিবা ফোর্সশিং অসিগী মথক্তা ইনৌ নৌনা ইষ্টর্ন য়ুরোপকী লৈবাক মরিদা বেট্টলগ্রুপশিং দিপ্লোই তৌরকপগা লোয়ননা নোংপোক থংবা শরুক্তা এল্লাইয়েন্স অসিগী মল্টি নেসনেল বেট্টলগ্রুপ নিপান শুরগনি।

বেট্টলগ্রুপশিং অসি বালটিক রিজনদগীনা ব্লেক সি ফাওবা থুংনা দিপ্লোই তৌগদৌরিবনি। য়ুরোপতা য়ুএস ট্রুপ ১০০,০০০ অমসুং নাটোগী দাইরেক্ট কম্মান্দ মখাদা ট্রুপ লিশিং ৪০ য়াওনা এল্লাইয়েন্সতা য়াওরিবা য়ুরোপকী লৈবাকশিংগা এলাইট ট্রুপ লিশিং চা কয়া শেম শাদুনা লৈ হায়না নাটোগী সেক্রেটরি জেনরেল অসিনা এক্সপ্লেন তৌখি।

নাটোগী দাইরেক্ট কম্মান্দ মখাদা লৈরিবা ট্রুপ অয়াম্বদি এল্লাইয়েন্স অসিগী নোংপোক থংবা শরুক্তা দিপ্লোই তৌরি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

মহাক্না মখা তানা হায়খি, মদুদি ঐখোয়গী সেক্যুরিটিগী মতাংদা হৌজিক এল্লাইয়েন্স অসিনা অনৌবা অশেংবা শক্তম অমা মায়োক্নরক্লি। হৌজিক য়ুরোপতা মরু ওইনা নোংপোক থংবা য়ুরোপতা ওইরক্লিবা ফিভম অসিগা চান্নবা খোঙথাংশিং এল্লাইয়েন্স অসিনা থুনা লৌখৎতবা য়াদে।

য়ুক্রেনবু কেমিকেল, বাইওলোজিকেল, রেদিওলোজিকেল অমসুং ন্যুক্লিয়র থ্রেটশিংদগী ঙাকথোকপদা মতেং ওইগদবা খুৎলায়শিং পীবগা লোয়ননা সাইবর সেক্যুরিটিগী মতেং য়াওনা অহেনবা সপোর্ট পীবগী ৱাফমসু মীচংশিংনা য়ান্নগনি হায়বগী থাজবসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

এজেন্সিগী রিপোর্ট মতুং ইন্না নাটোগী অখন্নবা মীফম অদুদা য়ুক্রেনগী প্রসিদেন্ট বোলোদিমির জেলেন্সকিনা ৱা ঙাঙগনি।

মহাক্না হায়, কনফ্লিক্ট অসিদা বাইওলোজিকেল নত্ত্রগা কেমিকেল খুৎলায়শিং শীজিন্নরক্লবদি মদুনা মীপায়নিংঙাই ওইরবা শাথিবা ফিভম কয়া লাকহনগনি। নাটোনা মীচংশিংদা কিহল্লকপশিংদগী ঙাকথোক্ননবা মতম পুন্নমক্তা শেম শাদুনা লৈ।

চৈরকসিদা, রসিয়ন ফোর্সশিং থেংনবদা মতেং ওইনবগীদমক বৃটেননা য়ুক্রেনদা অনৌবা দিফেন্সিব মিসাইল ৬০০০ পীরগনি হায়না বৃটিস প্রাইম মিনিষ্টর বোরিস জোন্সন্না লাউথোকখ্রে।

মিসাইলশিং অসিদা নত্তনা য়ুক্রেনিয়ন লান্মীশিং অমসুং পাইলোটশিংগী তলব পীবদসু মতেং ওইনবা বৃটেন্না য়ুক্রেনদা পাউন্দ মিলিয়ন ৩০ (দোল্লর মিলিয়ন ৪০) রোমসু পীরগনি।

অনৌবা মতেংগী পেকেজ অদু প্রাইম মিনিষ্টর জোন্সন্না শগোলশেল নুমিৎকী অথেংবদা ব্রসেলসতা পাঙথোক্কদবা নাটো অমসুং জি ৭ কী লুচিংবশিংগী মীফমশিংদা লাউথোক্কদবনি।

জোন্সননা হায়খি, মদুদি য়ুনাইটেদ কিংদম্না মীচংশিংগা খুৎশম্ন রগা য়ুক্রেনদা মিলিটরি অমসুং শেল থুমগী মতেং পীবা হেনগৎহন্নবগী থৌরাংশিং লৌখৎলগনি। মসিনা য়ুক্রেনগী ঙাকশেলগী মপাঙ্গল হেনগৎহন্দুনা লান অসি অনৌবা মায়ওন অমদা লাকহনবা ঙমগনি।

বৃটিস প্রাইম মিনিষ্টর অসিনা মখা তানা হায়, রসিয়ানা য়ুক্রেনদা লান্দাবা থা অমা ফারক্লবা অসিদা ইন্টরনেসনেল কম্ম্যুনিটিনা তঙাই ফদবা ৱারেপ খরা লৌবা মথৌ তারকই। ঐখোয়না য়ুক্রেনগী নিংতম্ববু কন্নবা হোৎনবা হায়বসি তৌদবা য়াদবা থৌদাংনি।

এল্লাইয়েন্স অসিনা অসিগুম্বা লৌখৎফম থোকপা খোঙথাংশিং লৌখৎহৌদবা তারবদি য়ুরোপ অমদি মালেমগী অপুন্বদা এল্লাইয়েন্স অসিবু করিসু লৈতনা উনরগনি।

পেকেজ অদুগী শরুক অমা ওইনা য়ুকেনা য়ুক্রেনদা মিসাইল ৬০০০ পীবগা লোয়ননা য়ুক্রেনিয়ন মিলিটরিগী ফাইনান্সিয়েল সপোর্ট ওইনা পাউন্দ মিলিয়ন ২৫ পীরগনি।

বিবিসি ৱাল্ড সার্ভিসকী য়ুক্রেনিয়ন অমসুং রসিয়ন লোনশিংগী সার্ভিসতা মতেং পাঙবা ওইনা পাউন্দ মিলিয়ন ৪.১ গী তোঙানবা শেনফম অমসু পীরগনি।

অনৌবা কম্মিটমেন্ট অসিগা লোয়ননা য়ুনাইটেদ কিংদম্না য়ুক্রেনদা পীবা মিসাইল মশিং পুন্না ১০,০০০ শুরগনি অমসুং অহেনবা ফন্দশিং পীগদৌরিবা অসিনা য়ুক্রেনগী হ্যুমেনিটরিয়ান অমসুং শেল থুমগী মতেং ওইনা বৃটেননা হান্না লাউথোকখ্রবা পাউন্দ মিলিয়ন ৪০০ গী মথক্তনি।

# পুটিনগী এদভাইজর এনাটোলি চুবাই রিজাইন তৌখ্রে, রসিয়া থাদোক্লগা মপানদা চৎখ্রে



মোস্কো, মার্চ ২৪ (এজেন্সী):

রসিয়াগী ক্লাইমেট এনভোই অমসুং প্রসিদেন্ট ব্লাদিমির পুটিনগী এদভাইজর এনাটোলি চুবাই মহাক্কী ফমদগী রিজাইন তৌখিবগা লোয়ননা রসিয়া থাদোক্তুনা চৎখ্রে।

মহাক মোস্কোনা য়ুক্রেনগী মায়োক্তা লৌখৎলিবা এক্সনশিংগী মতাঙদা মোত তিন্নদবদগী মহাক্কী ফমদগী রিজাইন তৌবগা লোয়ননা রসিয়া থাদোক্তুনা চৎখিবনি হায়রি।

চহী অসিগী ফেব্রুৱারীদা য়ুক্রেনগী লান হৌখিবদগী ক্রেমলিন থাদোকপা রসিয়াগী খ্বাইদগী ৱাংবা থাক্কী ওফিসিএল অসি চুবাইনি।

চুবাইনা রিজাইন তৌখিবগী মতাংদা হংবদা ক্রেমলিনগী স্পোক্সমেন দিমিট্রি পেস্কোভনা কম্মেন্ট অমত্তা পীরকখিদে। মহাক্কী চহী ৬৬ শুরবা চুবাই কুমজা ১৯৯০ পরিংগী চহীশিংদা এক্তিব ওইখিবা ইকনোমিক রিফোর্মর খরগী মনুংদা অমনি। মহাক নোংচুপলোমগা নকশিন্নবগা লোয়ননা মখা তানা রসিয়ন গভর্নমেন্টগী মরু ওইবা ফিগর অমসু ওইখি। মোস্কোগী প্রাইভেটাইজেসন দ্রাইভশিংগী আর্কিটেকনি হায়না খঙনবা চুবাইনা প্রসিদেন্ট পুটিনগা ১৯৯৫ দগী ক্রেমলিনদা থবক তৌমিন্নবা হৌখি।

পুটিন্না রসিয়াগী প্রসিদেন্ট ওইরকখিবদা চুবাইসু মরু ওইবা থৌদাং লৌরি হায়রি। পুটিনগী লিদরশিপ মখাদা চুবাইনা মরু ওইবা ষ্টেট কম্পেনিশিংদা থবক তৌখি। মমৈথংদা প্রসিদেন্ট পুটিননা মহাকপু হৌখিবা চহীদা লৈবাক অসিগী ক্লাইমেট এনভোই ওইহনখি।

ছোর্সশিংনা এজেন্সিদা ফোঙদোরকপদা চুবাইনা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা মহাক্কী কলিগশিং অমসুং মরুপ মপাংশিংদা ইবা লেট্টর অমদা মহাক গভর্নমেন্ট থাদোকপগা লোয়ননা লৈবাক অসি থাদোক্তুনা চৎননবা ৱারেপ লৌরে হায়না লাউথোকখি।

ফেব্রুৱারী ২৪ দা য়ুক্রেনদা লান দাবা হৌখিবদগী রসিয়ন গভর্নমেন্টনা লান অসিবু কন্না য়ানিংদবা উৎপশিংগী মায়োক্তা কিহনবা অমদি ফা পুনবগী অকনবা কেম্পেইন অমা চথরকখিবনি।

# সাউথ সুদানগী য়েংথিনবা পার্টিশিংগী মরক্তা ব্রারী শান্ননবা এক্সপার্টশিংনা তকশিনখ্রে

জুবা, মার্চ ২৪ (এজেন্সী):

কুমজা ২০১৮ গী পিছ দিলদা খুৎয়েক পীনখিবা সাউথ সুদানগী পার্টিশিংগী মরক্তা খুদক্তা ৱারী শান্ননবা এক্সপার্টশিংনা তকশিনখ্রে।

ফার্ষ্ট ভাইস প্রসিদেন্ট রিক মচরনা লুচিংবা মেন ওপোজিসন পার্টিনা সেক্যুরিটি মেকানিজমদগী ৱিদ্রো তৌখ্রবা মতুংদা এক্সপার্টশিংনা পার্টিশিংদা ৱারী শান্ননবা তকশিনখিবনি।



সুদান পিপলস লিবরেসন মুভমেন্ট /আর্মি ইন ওপোজিসন (এসপিএলএম/এ-আইও) না পিছ দিল অদুবু হিংহনবদা য়াম্না মরু ওইরিবা সেক্যুরিটি মেকানিজমদগী ৱিদ্রো তৌরগনি হায়না লৈবাকপোকপা নুমিত্তা লাউথোকখি।

প্রসিদেন্ট সলবাকির শৌগৎপা ট্রুপশিংনা কায়হৌরুবা তৌদনা এটেক্ট কয়া চথুরকখি হায়না মরাল শিরদুনা সেক্যুরিটি মেকানিজমদগী ৱিদ্রো তৌবগী ৱারেপ অসি লৌখিবনি।

হৌজিক লৈরিবা লৈখায় তাদবা ফিভম অসিদা অহোংবা লাকহন্নবগী পান্দমদা য়ুমশকৈশ নুমিত্তা য়ুনিভর্সিটি ওফ জুবাগী পোলিটিকেল সাইন্সকী প্রোফেসর অব্রাহম কোল নিওন্না রিজনেল বোদি ইন্টর-গভর্নমেন্টল ওথোরিটি ওন দিভলপমেন্ট (আইজিএদি) অমদি রিভাইটেলাইজ জোইন্ট মোনিটরিং ইভালুএসন কম্মিসন (আরজেএমসি) দা খুদক্তা ষ্টেকহোল্ডরশিংগী মীফম পাঙথোক্কবা তকশিনখি।

কোলনা ফোঙদোকখিবদা য়ুনিফাইদ ফোর্সশিংগী গ্রেজুয়েসন য়াওনা মরু ওইবা তৌদবা যাদ্রবা থবকশিং পাঙথোক্কনবা বোদি অনী অসিনা পার্টিশিংগী মরক্তা কো ওপরেসন পীনহন্নবা হোৎনবা মথৌ তাই।

মহাক্না এজেন্সিদা হায়খি, মদুদি এসপিএলএম-এ-আইওনা প্রোটেষ্ট তৌবা অসিনা পিছ এগ্রিমেন্ট অদুগী অতৈ সিগ্নেটরিশিংদা য়াম্না অকনবা মেসেজ অমা পীগনি। করিগুম্বা এসপিএলএম/এ-আইওনা সেক্যুরিটি মেকানিজমদগী ৱিদ্রো তৌবা তারবদি পিছ এগ্রিমেন্ট শাংদোকপা নত্ত্রগা অনৌবা পান্দম কয়া ফঙনবা মরী লৈনবশিংনা মোত তিন্ননা হোৎনরকপদা অচৌবা খুরৌ অমা ওইরগনি।

হৌখিবা চহীগী ওগষ্টতগী ফেক্সন মশেল মরক্তা লেপ্তুনা খুৎ থোক্নরকখিবা মতুংদা এসপিএলএম-এ-আইওনা সেক্যুরিটি মেকানিজম থাদোকপগী খোঙথাং অসি লৌখৎলকপনি।

এসপিএলএম/এ-আইওনা সাউথ সুদান আর্মি (এস এস পি দি এফ) পু মখোয়গী মেম্বরশিংগী মরক্তা অমগা অমগা য়েংথিনহন্দুনা গ্রুপ অসিবু মপাঙ্গল শোন্থহন্নবা হোৎনৈ হায়না মরাল শীখি।

কম্যুনিটি ইম্পৱারমেন্ট ফোর প্রোগ্রেস ওর্গনাইজেসন (সিইপিও) গী একজিক্যুটিব দিরেক্তর ইকমন য়াকানিনা ফোঙদোকখিবদা এসপিএলএম/এ-আইওনা সেক্যুরিটি মেকানিজমদগী ৱিদ্রো তৌখিবা অসিনা মরু ওইবা সেক্যুরিটি এরেঞ্জমেন্টশিং মথোঙ মরম খঙদবা ফিভম অমদা লাকহল্লগনি।

হৌজিক চৎনরিবা ট্রাঞ্জিসনগী মতম কুমজা ২০২৩ গী এপ্রিলদা লোইগদবনি অমসুং মদুগী মতুংদা নেসনেল ইলেক্সনশিং পাঙথোক্কদবনি।

পিছ দিল মায় পাক্না ইমপ্লিমেন্ট তৌবদা য়াম্না মরু ওইরিবা পার্টিশিংগী মরক্তা থাজনবা ৱাৎপনা মরম ওইদুনা খ্বাইদগী নৌবা খোঙথাং অসি লাকখিবা ওইবা য়াই হায়না য়াকানিনা ফোঙদোকখি।

# কিভতা শেল এটেক্ট চথবদা রসিয়ন জর্নেলিষ্ট ওকসানা বৌলিনা লৈখিদ্রে

কিভ, মার্চ ২৪ (এজেন্সী):

য়ুক্রেনগী কেপিটেল কিভতা শেল এটেক্ট চথবদা রসিয়ন জর্নেলিষ্ট ওকসানা বৌলিনা লৈখিদ্রে হায়না মিদিয়া রিপোর্টশিংনা হায়রি।

জর্নেলিষ্ট নুপী অদু ইনভেষ্টিগেটিব ৱেবসাইট ইন্সাইদরগী থবক তৌবনি হায়রি। য়ুমশকৈশ নুমিৎকী অথেংবদা ৱেবসাইট অদুনা থোকখিবা ষ্টেটমেন্ট পল্লদুনা য়ুক্রাইয়িন্সকা প্রাভদানা হায়, ইন্সাইদরগী জর্নেলিষ্ট অমা ওইরিবা ওকসানা বৌলিনা এদিটরিএল থৌদাং অমা পাঙথোক্লিঙৈদা কিভতা শেল এটেক্ট চথুরকপদগী লৈখিদ্রে।



মহাক কেপিটেলগী পোদোল দিষ্ট্রিক্টতা রসিয়ন ট্রুপশিংনা শেল এটেক্ট চথবদগী অমাঙ অতা থোক্লিবশিং ফিল্ম নল্লম্বনি। শেল এটেক্ট অদুদা অতোপ্পা মীচম অমসু শিখি অমদি অতৈ মীওই অনীনা শোকপদগী হোস্পিটলাইজ তৌখি।

ৱেবসাইট অদুনা মখা তানা হায়, ইন্সাইদরনা মী তাবা এরিয়াশিংদা মথোঙ মরম খঙদনা নোংমৈ কাপশিনবা অমদি বোম থাদবগুম্বা রসিয়ানা চথরিবা ৱার ক্রাইমশিং য়াওনা ইন্সাইদরনা মখা তানা য়ুক্রেনগী লান অসি কোভর তৌখিগনি। রসিয়াগী এক্সনশিং অসিনা মীচমশিং অমসুং জর্নেলিষ্ট কয়া শিহল্লে হায়না ষ্টেটমেন্ট অদুনা মখা তানা ফোঙদোক্লি।

য়ুক্রাইয়িন্সকা প্রাভদাগী মতুং ইন্না বৌলিনা মমাঙদা ক্রেমলিনগী ক্রিটিক অলেক্সি নবালেনা হৌদোকখিবা এন্টি-করপসন ফাউন্দেসনগী থবক তৌখি। ওর্গনাইজেসন অসিবু এক্সট্রিমিষ্টশিংগী লিষ্টতা হাপচিল্লকপদগী বৌলিনা রসিয়া থাদোক্তুনা চৎখিবনি।

মহাক করেস্পোন্দেন্ট অমা ওইনা য়ুক্রেনদা চৎখি। মহাক্না লিভিভ অমসুং কিভতগী রিপোর্ট কয়া থাখি।

রসিয়ানা ফেব্রুৱারী ২৪ দা লান হৌখিবদগী মথৌ পাঙথোক্লিবা জর্নেলিষ্ট কয়া শিখ্রে। ভিদিও জর্নেলিষ্ট ব্রেন্ট রেনো ইর্পিনগা নক্লবা চেক পোইন্ট অমদা শিখি, জর্নেলিষ্ট ভিক্তর দুদার মকাইলোইগা নক্লবা মফমদা খুৎ থোক্লরকপদগী শিখি অমদি কেমেরামেন য়েভহেন সাকুন্না কিভতা চথখিবা মিসাইল এটেক্ট অমদা শিখি। য়ুএস জর্নেলিষ্ট অমসুং ফিল্ম মেকর ব্রেন্ট রেনোদ মার্চ ১৩ দা ইর্পিন টাউনদা ফিল্ম নল্লিঙৈদা নোংমৈনা কাপ্পুনা হাৎখি।

# ‘পিটিআইগী পৱার সোদা শরুক য়ানবা ইমরান খান্না মীয়ামদা খঙহনখ্রে’

ইস্লামাবাদ, মার্চ ২৪ (এজেন্সী):

পাকিস্টানগী লৈঙাক পায়রিবা পিটিআইনা মার্চ ২৭ তা কেপিটেল ইস্লামাবাদকী পেরেদ গ্রাউন্দদা পাঙথোক্কদৌরিবা পৱার সোদা শরুক য়াননবা লৈবাক অসিগী প্রাইম মিনিষ্টর ইমরান খাননা শগোলশেল নুমিত্তা মীয়ামদা আপিল তৌখ্রে।

ফত্তবশিংগী মায়োক্তা লেপমিন্নসি হায়না ইমরান খাননা মীয়ামদা আপিল তৌখি।

মহাক্না হায়খি, মদুদি মীপুম খুদিংমক্কী মমাঙদা হুরানবা খুৎপু অমনা চহী ৩০ চুপ্পা লৈবাক অসিবু লূট তৌদুনা লাক্লি অমসুং শেঞ্জা থুমজাগী থবকশিং চথরক্লি। অসিগুম্বা গেঙ খুৎপু অসি মসিনা মখোয়গী ওইবা য়ুনিটি শাগৎতুনা মীয়ামগী মীহুৎশিংবু মখোয়না পাম্বা মওংদা শান্নদুনা লাক্লি।

মখোয়না মীয়ামগী মীহুৎশিং অসিবু লৈবগী থৌওং চথুদুনা লাক্লি।

ঐখোয় ফত্তবশিংগা পুনবা পামদে হায়বা অকনবা মেসেজ অমা পীনবগীদমক মার্চ ২৭ তা পাঙথোক্কদৌরিবা পৱার সো অসিবু শরুক য়াবীনবা ঐহাক্না লৈবাক মীয়ামদা আপিল তৌরি।

দেমোক্রেসি অমসুং লৈবাক্কী মায়োক্তা চথরিবা ক্রাইমশিংগী মায়োক্তা ঐখোয়না মোত অমত্তা ওইনা খোঙফম চেৎনা লেপ্লি হায়বসি পৱার সো অসিদা মরী লৈনবা খুদিংমক্তা খঙহনগদৌরিবনি।

কনামত্তনা পৱারগীদমক্তা মীয়ামগী মীহুৎশিংবু লৈথোক লৈশিন তৌবদা শরুক য়াহনবা য়াদে হায়বসি লৈবাক পুম্বনা নুমিৎ অসিদগী খঙলগনি। ওপোজিসন্না নো-কনফিদেন্স মোসন অমা থাঙ্গলকখিবগা ইরোয়ননা প্রাইম মিনিষ্টরনা মীয়ামদা আপিল অসি তৌখিবনি।



ইমরান খানগী মায়োক্তা ওপোজিসননা পুখৎলক্লিবা নো-কনফিদেন্স রিজোলুসন অসিবু খন্ননবা ইরাই নুমিৎকী অয়ুক পুং ১১ তাবদা লৱার হাউসকী সেসন অমা পাঙথোক্লগনি হায়না নেসনলে এসেমব্লিগী স্পিকর অসাদ কৈসরনা লাউথোকখ্রে।

য়ুমশকৈশ নুমিত্তা প্রাইম মিনিষ্টর ইমরান খানদা মহাক্কী পার্টিগী মীচংশিংনা ওপোজিসনগী মায়কৈদা লেপ্পনবা ৱারেপ লৌরে হায়বসি খঙহনখি। খোঙথাং অসিগা লোয়ননা রুল্লিং পিটিআইনা পেন্দবা কোলিসন পার্টনরশিং থেন্নবগী হোৎনরকখি।

চৈরকসিদা পাকিস্টানগী ইন্টরিয়র মিনিষ্টর সৈখ রসিদ অহমদনা রুল্লিং পিটিআইগী মেম্বরশিংদা চেকশিন ৱা খঙহল্লদুনা হায়খ্রে, মদুদি মেম্বরশিংনা পার্টি হোংবনা কান্নবা অমত্তা পুরক্লোই। দিসিদেন্টশিংনা খঙগদবদি লৈবাক অসিদা মীখল ঙন্না পাঙথোরকপসু য়াই হায়বসিনি। প্রেস কনফরেন্স অমদা ৱা ঙাঙলদুনা মিনিষ্টরনা হায়খি, মদুদি পার্টি হোংলিবশিংনা অরানবা মওংদা মখোয়বু মীয়াম্না ইকায় খুম্নে হায়না খঞ্জে। তৌইগুম্বসুং মখোয়না খল্লিবদু লাক্লি।

প্রাইম মিনিষ্টর ইমরান খানগী মায়োক্তা ওপোজিসন্না পুখৎলকপা নো-কনফিদেন্স রিজোলুসনগী মতাংদা খন্ননবা লৱার হাউসকী সেসন অমা পাঙথোক্কদবা নোংমা ৱাৎলিঙৈদা রসিদ অহমদনা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি। নেসনেল এসেমব্লিগী স্পিকর অসাদ কাইসরনা কৌখিবা সেসন অদু ইরাই নুমিৎকী অয়ুক পুং ১১ দা হৌবনি।

MANIPUR UNIVERSITY
CANCHIPUR - IMPHAL

/ CORRIGENDUM

For. MU/14-452/DR/PO/PROCEEDINGS/2019/949 Dated, 22nd March, 2022

The following corrigendum is being made for the extension of deadline up to 25th March, 2022 for the submission of tender documents of the below Tenders:

1. Anthropology Department - Supply of Lab. Equipment, Ref.No. MU/Anthro/VA/Pro/2021.
2. Sports Department - Supply of GYM Equipment, Ref.No.MU/6/42/Purchase of GYM Equipment/2021-22/SPR.
3. Fine Arts Department - High Power furnance, Ref.No.MU/D.H/P.C-II/2022.

The other details remain unchanged as available in the website www.manipuruniv.ac.in.

Sd/- David K. Zote
Purchase Officer

HL-B/7551/24,25

# পোলেন্দনা রসিয়ন এম্বেসিগী ষ্টাফ তঙ্খায় অমা তান্থোকখ্রে

ৱারসো, মার্চ ২৪ (এজেন্সী):

পোলেন্দনা ৱারসোদা লৈরিবা রসিয়ন এম্বেসিগী ষ্টাফর ৪৫ চয়োল অমা ফাদবা মতমগী মনুংদা লৈবাক অসি থাদোক্তুনা চৎখিনবা ওর্দর তৌখ্রে হায়না মিনিষ্ট্রি ওফ ফোরেন এফিয়ার্সকী স্পোক্স পার্সন্না ফোঙদোকখ্রে।

এম্বেসিগী ষ্টাফর ৪৫ হায়বসি রসিয়ন এম্বেসিগী অপূনবা ষ্টাফকী তঙ্খায় অমরোমনি। মিনিষ্ট্রি অসিগী স্পোক্সমেন লুকাস জসিনানা হায়, পুন্না তোঙান তোঙানবা দিপ্লোমেটিক ষ্টেটসকী মীওই ৪৫ নুমিৎ মঙানিগী মনুংদা রিপব্লিক ওফ পোলেন্দগী লম থাদোক্তুনা চৎননবা ওর্দর তৌখ্রে। পুং ৪৮ গী মনুংদা মীওই অমা পোলেন্দ থাদোক্কদবনি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

চৈরকসিদা পোলেন্দগী ফোরেন মিনিষ্টর মারিওস কামিন্সকিনা ট্যুটর পোষ্টকী খুত্থাংদা হায়খ্রে, মদুদি পোলেন্দনা দিপ্লোমেন্টশিং শারম্বা রসিয়ন স্পাই ৪৫ তান্থোকখ্রে।

MANIPUR UNIVERSITY
CANCHIPUR - IMPHAL

/ CORRIGENDUM

For. MU/14-452/DR/PO/PROCEEDINGS/2019/956 Dated, 23rd March, 2022

The following corrigendum is being made for the extension of deadline up to 26th March, 2022 for the submission of tender documents of the below Tenders:

1. Physics Department - Supply of Lab. Equipment, Ref. No. **MU/PHY/EQUIPT/2022.**
2. Earth Science Department - Supply of Lab. Equipment, Ref. No. **MU/EQUIPT/ES/22.**

The other details remain unchanged as available in the website www.manipuruniv.ac.in.

Sd/- David K. Zote
Purchase Officer

HL-B/7558/24,25

SMART TUTORIAL CENTRE
Singjamei Super Market
ADMISSION OPEN
40 days 60% Revision Course for Class XII Sc. COHSEM
COMMENCES ON 2nd March 2022
NDA ,NEET & JEE (Aspirant)
COMMENCES ON 10th MARCH & 13th April 2022
FOUNDATION COURSE 2022
FOR CLASS IX, X ,XI & XII (BOSEM , COHSEM & CBSE)
(SCIENCE,ARTS,COMMERCE)
COMMENCES ON 10th MARCH, 13th April
18th May 2022 (Sub. All)
1. Speacial fee concession for former students. 2. Regular mock test with analysis.
3. Separate hostel for boys & girls. 4. Well structured study materials.
5. Available Van Service.
CLASS TIMING (Morning & Evening) # 8730999192 / 03857966211
Run by well trained board , council ,KVS & CBSE of experience teachers
HL-P/1789/28/3-29/4